*৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬:*

# মৈরা বাশিখোংনা এম পি এস সি মায়থিবা পীবদা জেনজেননা হেটট্রিক তৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২০ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর হোক্কীগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাক্কো স্কুল চনুংনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী শিংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকাইদা লৈবা সেয়োগী হোক্কী গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩শুবা য়ুনাক্কো কপ ২০২৬ ষ্টেট লেভেল মেন'স ওপন হোক্কী টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরানা এম পি এস সিবু মায়থিবা পীবদা এন জেনজেননা হেটট্রিক তৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মৈরানা এম পি এস সিবু গোল ৬–২দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী মরিশুবা মিনিটতা মৈরাগী জর্সি নম্বর ২ কে সঞ্জিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মাঙজিল থাহল্লবসু হরাওবা ফোঙদোকপা লোয়দ্রিঙৈ থংনবা মিনিট ৫শুবদা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ১৭ এম ভাকরনা ইক্বেলাইজিং গোল চনবা ঙমখি। এম পি এস সিগী ইক্বেলাইজিং গোল চনখ্রবা মতুং ৬শুবা মিনিটতা মেটচ অসিদা হেটট্রিক তৌবা ঙমখিবা জর্সি নম্র ২১ এন জেনজেননা মহাক্কী অহানবা অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা ২–১দা লৈহনখি।

অহানবা ক্বার্টর অসিগী লোয়রমদাই ১৪শুবা মিনিটতা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ১১ এস সুরেসনা অনৌবা গোল অমা চন্দুনা ক্বার্টর অসি লোয়বা ফাওবদা ২–২দা লৈহনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ২–২ চন্নদুনা লৈখ্রবসু অহুমশুবা ক্বার্টরদগী হৌনা ওলেম্পিয়ন কে চিংলেনসনা য়াওরিবা মৈরানা হেন্না লাকশিন্না শান্নরকপগা লোয়ননা অহুমশুবা ক্বার্টর অসিগী ৩৭শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ২ কে সঞ্জিৎপনা মহাক্কী অনীশুবা অমসুং টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি।

মৈরাগী অহুমশুবা গোল চনখ্রবা মতুং অতেনবা মতমগী মনুং ৩৯শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ২১ এন জেনজেননা অনৌবা গোল অমা চন্দুনা ৪–২দা লৈহনখি। ক্বার্টর অসিগী লোয়রমদাই মিনিট ৪৪ শুবদা মৈরাগী জর্সি নম্বর ৮ টিঐচ য়াইফবানা অহেনবা গোল অমা চন্দুনা অহুমশুবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা গোল ৫–২দা মাঙজিল থাখি।

মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরদা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা অকনবা মওংদা হোৎনরক্লবসু ঙমদনা লৈরিঙৈ চৈরক ক্বার্টর অসিগী অরোয়বা মিনিট ৬০ শুবদা মৈরাগী জর্সি নম্বর ২১ এন জেনজেননা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চন্দুনা হেটট্রিক তৌবতা নত্তনা এম পি এস সিবু গোল ৬–২দা মায়থিবা পীখি।

নাকল অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই সি সি আই সি অহল্লুপ অমসুং কে ঐচ এস সি গোল ২–২ চন্নদুনা ড্রো ওইখ্রে।

লম্বা চানা শান্নখিবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরগী ৯শুবা মিনিটতা কে ঐচ এস সিগী জর্সি নম্বর ১৮ রোহিটনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা অহানবা ক্বার্টর লোয়বা ফাওবদা মাঙজিল থাদুনা চৎহলনখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা নহা ওইরিবা ৱাই সি সি আই সিগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্লবগী লম্বী থিরকপদা পেনাল্টি কোনর অমগী খুৎথাংদগী জর্সি নম্বর ১১ নিরমলনা এক্বেলাইজিং গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা গোল ১–১ চন্নখি।

অহুমশুবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈরুরবা মতুং মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টরগী ৪৮শুবা মিনিটতা কে ঐচ এস সিগী জর্সি নম্বর ৮ হেরিসনা গোল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মহাক্কী টিমবু মাঙজিল থাহনবা ঙমখি।

অদুবু ৫২শুবা মিনিটতা ৱাই সি সি আই সিগী জর্সি নম্বর ১০ সুশান্তনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা অমুক হন্না ২–২দা লৈহনবা ঙমখি। লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী মেটচ অসি গোল ২–২দা ড্রো ওইখি।

# মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওবা ইন্দিয়াগী মেন্বর ২৪গী প্রোবেবল স্কৱাদ এসিয়ন কপকীদমক থাইলেন্দ থুংখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সি)ঃ
মথং থাগী ১দগী ১৮ ফাওবা থাইলেন্দনা য়ুম্ন ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি অন্দর–২০ ৱুমেন'স এসিয়ন কপকীদমক মণিপুরদগী শান্নরোই ৮ য়াওনা ইন্দিয়াগী মেন্বর ২৪না শাবা প্রোবেবল স্কৱাদ থাইলেন্দদা ঙসি থুংখ্রে।

ইন্দিয়াগী মেন্বর ২৪না শাবা প্রোবেবল স্কৱাদতা য়াওরিবা মণিপুরদগী শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিরপদা মোনালিশা দেবী মোইরাংথেম, দিফেন্দরদা রেমি থোকচোম, সহেনা টিঐচ, থোইবিসনা চনু তোইজম, মিদফিল্ডরদা অঞ্জু চনু কয়েনপাইবম, এরিনা দেবী নামৈরাকপম, ভুমিকা দেবী খুমুকচম অমসুং ফোরৱার্দতা সিবানি দেবী নোংমৈকাপমনি।

ইন্দিয়াগী অন্দর–২০ টিম এসিয়ন কপ অসিগীদমক চহী ২০গী মতুংদা অহানবা ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লকখিবনি। ইন্দিয়াগী টিম অসিনা মথং থাগী ২দা গ্রুপ–সিগী অহানবা মেটচ ওইনা জপানগা শান্নগদৌরিবা অসিগী মাঙওইন্না নুমিৎ ১৩নি মফম অদুগী হৱা নুংশিৎকা চুশিন্নবা হোৎনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী গ্রুপ–সিগী অহানবা মেটচ ওইনা মথং থাগী ২দা এসিয়াগী পৱারহাউস ওইরিবা জপানগা শান্নরগা অনীশুবা মেটচ ওইনা মথং থাগী ৫দা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং গ্রুপকী অরোয়বা মেটচ ওইনা চাইনিস টাইপৈগা মথং থাগী ৮দা শান্নগনি।

গ্রুপ–৩ থোক্না খায়দোক্তুনা চথগদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গ্রুপশিংগী মকোক মথং তাবা টিম অমদি খ্বাইদগী ফবা অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিম অনী অদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল চঙবা টিম ৪ অদুনা চহী অসিদা পোলেন্দনা য়ুম্ন ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর–২০ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপকীদমক শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংগনি।

ইন্দিয়াগী অন্দর–২০ টিম ইন্দিয়ান ৱুমেন'স লীগকী অহানবা ফেজ লোয়খ্রবা মতুং চহী অসিগী জনুৱারী থাদগী বেঙ্গলুরুদা স্বীদেনদগী হেদ কোচ জাওকিম এলেকজেন্দরসনগী মীৎয়েং মখাদা ট্রেন্নিং তৌদুনা লৈরকখ্রবা মতুং স্বীদেনদা থা অমা চুপ্পা কেম্প চথদুনা এসিয়ন কপ অসিগীদমক শেম শারকখিবনি। এসিয়ন কপ অসিগীদমক স্বীদেনদা থা অমা চুপ্পা কেম্প তৌদুনা লৈরিঙৈদা স্বীদেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী সেনিয়র টিমগা ফ্রেন্দলি মেটচ ৫ শান্নখিবনি। স্বীদেনদা ট্রেন্নিং পাঙথোক্লুরবা মতুং ইন্দিয়াগী টিম মখা তানা কোলকটাদা ট্রেন্নিং চথরকখিবগা লোয়ননা বেঙ্কোক্কীদমক ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইন্দিয়া থাদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী মেন্বর ২৪না শাবা এসিয়ন কপকী প্রোবেবল স্কৱাদতা য়াওখ্রবা অতে শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা নন্দিনি, রিবান্সি জামু, দিফেন্দরদা অলকা ইন্দৱা, সিন্দি কোলনি, নিসিমা কুমারী, রুচি যাদব, সুভঙ্গি সিংহ, মিদফিল্ডরদা মোনিসা সিংহা, নেহা, পুজা, স্রুতি কুমারীগা লোয়ননা ফোরৱার্দতা বাবিতা কুমারী, দিপিকা পাল, লিংদৈকিম, সিলজি সাজি অমসুং সুলঞ্জানা রাউলনি।

# অভে অমসুং অনাহট সিংহ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২০ (এজেন্সি)ঃ
মুম্বাইদা চথরিবা ইন্দিয়ান ওপন স্কৱাস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা স্কৱাস প্লেয়র অনাহট সিংহ, অভে সিংহ, তনভি খন্না অমসুং জোসনা চিনপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী অনীশুবা রাউন্দদা অভে সিংহনা হোং কোংগী মেথিয়ু লায়বু ১১–৫, ১১–৬, ১১–৬দা মায়থিবা পীরমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা নুপীগী অনীশুবা রাউন্দদা অনাহটনা ইজিপকী ফরিদা ৱালিদবু ১১–৬, ১১–৯, ১১–৫, তনভি খন্নানা ইজিপকী নুর খফাজিবু ১১–৫, ১১–৯, ১১–৯দা অমসুং জোসনা চিনপানা আইর্লেন্দগী ফিনবু ১২–১০, ১১–৪, ৮–১১, ১১–৯দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই অমা ওইরিবা সেন্থিলকুমার মালেসিয়াগী চন্দরনগী মখুৎতা ৮–১১, ৯–১১, ৯–১১দা মায়থিখিবগা লোয়ননা রমিট তন্দননা মালেসিয়াগী দনকান লিগী মখুৎতা ৯–১১, ৪–১১, ৯–১১দা মায়থিবা নঙহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী বির সোত্রানি অমসুং জর্মনিগী ওমলোর অনীনা শান্নখিবা মেটচকী অহানবা গেমদা সোত্রানিনা ৫–৩দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা ওমলোর অশোকপনা মরম ওইদুনা রিটয়ার্দ তৌখিবদগী সোত্রানিসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

# সি সি মীট থা অসিগী ৩০ ফাওকবা য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা বাবিনা গ্রুপ ৬৫শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সি সি মীট) ২০২৫–২৬ সি এম এস লোয়শিন্দবদগী থা অসিগী ৩০ ফাওবা য়ৈথোক্কে হায়না এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

বাবিনা গ্রুপকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ২৯না গ্রুপ–৮ থোক্না খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে সি এস আই, সি বি ই মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট (সি সি মীট) ২০২৫–২৬তা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুদি গ্রুপ–এদা আর এফ সি সি কৈনৌ, এ আই এম খাবম, নেরোকা এফ সি শঙাকফম অমসুং পথাপ এফ সি লিলোংনি। গ্রুপ–বিদা আর ৱাই এফ সি, য়ু এস এ খুরাই, ত্রুগপু নম্বোল, আর এফ এ, গ্রুপ–সিদা নেসু, জুবেনাইল ক্লব তেরা, উৎলৌ এফ সিনি।

গ্রুপ–দিদা এম আই য়ু এফ সি ময়াং ইম্ফাল, অবা ক্ষেত্রিগাও, রাহি য়ু সি, এন এম এফ এ সলাম, গ্রুপ–ইদা কে এন কে এফ সি, শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ, ই এস য়ু ৱাঙ্খৈ, গ্রুপ–এফদা এস এস য়ুশিংজমৈ, য়ু ৱাই টি থম্নাপোকপী, এস দব্লিউ সি, গ্রুপ–জিদা এফ সি কুম্বি, ৱাই ও এস সি খুরাই, এস দি সি, রাউ লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং গ্রুপ–ঐচদা এস ঐচ সি সেক্তা, জেদ এস ৱাই সি, এস এফ সি অমসুং য়াইরিপোক ফুটবোল ক্লব (ৱাই এফ সি)নি হায়রি।

## শান্নরোই ১৩না পোইন্ট ২/২ ফংনরি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (এস এন এস)ঃ
দি কংলৈ চেছ একাদমিনা শীন্দুনা য়াইস্কুল সনাখ্বাতোন কোলুপ্তা চথরিবা অহানবা রাজকুমার সনাজাউবা মেমোরিয়েল অন্দর–২০ চেছ টুর্নামেন্ট ২০২৬কী অহুমশুবা রাউন্দ লোয়বা ফাওবদা শান্নরোই ১৩না পোইন্ট ২/২ ফংনদুনা লৈরি।

পোইন্ট ২/২ ফংন্দুনা লৈরিবা শান্নরোইশিং অদুদি দয়ানন্দ থৌদাম, শিন্থোইবা নিংথেমচা, জেনেক্স নান্দৈবম, মঙাল এলাংবম, পুন্সিবা মাইস্নাম, থৌনাওজম দুপাচন্দ্র, ৱিলিয়ম্বা মোইরাংথেম, ওইনাম খেলেম্বা, লেম্বা শৌগাইজম, প্রিচার্দ এলাংবম, ষ্টেনলি মিথোইবা লৌরেম্বম, লনচেনবা ঙাইরাংবম অমসুং দিনেস চবুংবমনি।

# ওর্লিয়ন্স মাষ্টরস ২০২৬: তনভি শর্মা য়াওনা ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর ৩ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ (এজেন্সি)ঃ
ফ্রান্সতা চথরিবা সুপর ৩০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওর্লিয়ন্স মাষ্টর ২০২৬তা তনভি শর্মা য়াওনা ইন্দিয়াগী নুপী সট্লর অহুম ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।


টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা চহী ১৭ শুবদা ঙায়রিবী তনভি শর্মনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সট্লর অনমোল খারপবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১–১৪, ২১–১৭দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী নটসুকি নিদাইরাগা থেংনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সট্লর অদুদি মালভিকা বনসোদ অমসুং উশারানি বরুৱানি।

রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা মালভিকা বনসোদনা মালেসিয়াগী ৱোং লিং চিংবু ষ্ট্রেট গেমদতা ২৪–২২, ২১–১৩দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা উশারানিনা কানাদাগী ৱেন য়ু ঝাংবু ২১–১১, ১৪–২১, ২১–১৭দা মায়থিবা পীখি। ইন্দিয়া ঙাক্তগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মখোয় অনীনা থেংনরগনি।

নুপাগী দবলসতা হরিহরন অমসুং এম আর অর্জুনসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। নুপাগী দবলসকী রাউন্দ ওফ ১৬গী মেটচ অমদা হরিহরন অমসুং এম আর অর্জুননা স্কোটলেন্দগী অলেকজেন্দর অমসুং এদাম প্রিঙ্গলবু ২৬–২৪, ২১–১৪দা মায়থিবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা সট্লর ওইনা য়াওরিবা অয়ুস সেত্তি জপানগী মঙোন্দগী রেঙ্ক নেম্না লৈরিবা য়ুদাই ওকিমোতোগী মখুৎতা ২১–৯, ১৮–২১, ৯–২১দা মায়থিবা নঙখি।







Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77
E-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com